# খূৎ থোক্লবদা টেরোরিষ্ট ২ শিখ্রে

***শ্রীনগর, মে, ০২(এজেন্সি)ঃ***
জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি থাংজ নুমিৎতা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা মশক খঙদবা টেরোরিষ্ট ২ শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দাংগেরপোরাদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা কোয়শিল্লগা থিবা-হুম্বগী ওপরেসন অমা চথখি। মদুদা টেরোরিষ্টশিংনা মখোয়দা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকন অনী খূৎ থোক্লখিবনি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি। ওপরেসন অদু হৌজিকসু চথরি।

# দিল্লিগী দিষ্ট্রিক্ট ১১মক রেদ জোন ওইনা থমখিগনি

***ন্যু দিল্লি, মে, ০২(এজেন্সি)ঃ***
লৈবাক্কী কোনুং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১১ লোয়নমক মে ১১ ফাওবা রেদ জোন ওইনা থমখিগনি হায়না ঙসি দিল্লি হেল্‌ঠ মিনিষ্টর সত্যন্দর জেননা হায়খ্রে। ইরাই ফাওবদা লৈবাক্কী কোনুং অসিদা মীওই ৩৭৩৮ কোরোনাভাইরস নাখি অমসুং ৬১ শিখ্রে। ঙরাং নৌনা ২২৩ নারকখি।

হেল্‌ঠ মিনিষ্টর অসিগী মতুং ইন্না আই সি য়ুদা অনাবা ৪৯ অমসুং ভেন্টিলেটর ৫ লৈ হায়রি।

# দিল্লিগী সি আর পি এফ বাটালিয়ন্দা কোরোনাভাইরস ১২২ নাখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে, ০২(এজেন্সি)ঃ***
দিল্লিদা সি আর পি এফ বাটালিয়ন অমদা চয়োল ২গী মনুংদা জৱান ১২২ কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইখ্রে। অতোপ্পা ১০০গী টেষ্টকী ফলশিং ফংদ্রি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অদু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা মীৎয়েং চিংশিনখ্রে অমসুং লায়না অদু শন্দোরকপা করম্না লাকশিনবা ঙমখিদ্রিবনো হায়বগী ফিভমশিং শন্দোক্লা তাক্লবা সি আর পি এফ চীফতা খঙহনখ্রে।

মীওইশিং অদু পেরামিলিটরি ফোর্স অসিগী ৩১শুবা বাটালিয়ানগী মীওইশিংনি। দিল্লিগী ময়ুর বিহার ফেজ ৩ দা লৈবনি। হৌজিক মপুং ফানা থিংজিনখ্রবা বটালিয়ান অদু হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা অনাবা মশীং য়াম্না হেনগৎলকপা উখি।

বাটালিয়ান অসিদা লৈবা অসামদগী মশাগী চহী ৫৫ শুরবা জৱান অমা দিল্লিগী সফদরজং হোস্পিটালদা চয়োল অসিগী অঙনবদা শিখ্রে।

জৱান ১,০০০ হেন্না লৈবা সুপ্নগী বটালিয়ান অমখক্তগী কোরোনাভাইরসনা মশীং য়াম্না নারকখিবদা হোম মিনিষ্ট্রিগীদমক অচৌবা নুংনাংবা অমা ওইরকখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রিগী লিখুনশিংনা হায়খি।

# পঞ্জাবতা হল্লকখিবা পিলগ্রিম ১৩৭সু পোজিটিব ওইখ্রে

***অমৃতসর, মে, ০২(এজেন্সি)ঃ***
মহারাষ্ট্রগী নানদেদ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা হজুর সাহিপতা লাই খুরুম্বা চৎলুবদগী পঞ্জাবতা হল্লকখিবা পিলগ্রিম ১৩৭ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইখ্রে হায়না পঞ্জাব মেদিকেল এদুকেসন এন্দ রিছার্স মিনিষ্টর ও পি সোনিনা হায়খি।

পাউগী এজেন্সিদা ৱা ঙাংবদা মিনিষ্টর সোনিনা হায়খি, লাইনিংলোয় ৫৫ অমগা ঙসি (ইরাই) নুমিদাংৱাইরম পোজিটিব ওইরে। মীয়ামনা শোয়দনমক গভর্ণমেন্টকী এদভাইজরি ঙাক্কদবনি অমসুং থিংজিন্নবগী লৌখৎলিবা খোঙথাং পূন্নমক অদু ইনগদবনি। মদু মখোয়গী য়ুমশিংদসু শোয়দনমক ইনগদবনি। মখোয় ৱানিংঙাইগী মথৌ তাদে।

অমরোমদা ইরাই নুমিৎতা পঞ্জাবতা কোভিদ-১৯ নৌনা নাবা মীওই ১০৫ লৈরে হায়না ষ্টেট হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টনা হায়খি।

ষ্টেট হেল্‌ঠ দিপাটমেন্টকী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯না নাবা অপুনবা মশীং অদু হৌজিক ৫৮৫ য়ৌরে অমসুং অনাবা ২০ শিখ্রে।

মহারাষ্ট্রদা লৈরিবা গুরুদ্বারা অদুদা পঞ্জাবতগী মীওই ৪,০০০রোম লাই খুরুম্বা চৎখিবনি অমসুং মার্চ ২১দা লৈবাক শিনবা-থুংবা লোকদাউন অমা থমখিবা অদুনা মরম ওইদুনা মখোয় অদু থেক্লককপা ঙমদনা মফম অদুদা লমদনদুনা লৈরকখিবনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরবা তুংদা মখোয় ৩৫০০ হেন্না পঞ্জাবতা হান্না হল্লকখ্রবনি।

# মহারাষ্ট্র সিটিজেন পূন্নমক ফ্রী হেল্‌ঠ কোভর ফংলগনি ঃ ষ্টেট হেল্‌ঠ মিনিষ্টর



***জলনা, মে, ০২(এজেন্সি)ঃ***
মহারাষ্ট্রা হেল্‌ঠ মিনিষ্টর রাজেশ তোপেনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী হেল্‌ঠ স্কিমগী মখাদা সিটিজেন পূন্নমক কোভর তৌরগনি লাওথোকখ্রে অমসুং মখোয়গী মীয়ামদা ফ্রী অমসুং কেসলেস ইন্স্যুরেন্স প্রোটেক্সন পীবদা মহারাষ্ট্রনা অহানবা ষ্টেট ওইরগনি।

ইরাই নুমিৎতা জলনাদা মহারাষ্ট্র ডেগী থৌরম অমগী মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা রাজেশ তোপেনা হায়খি, হৌজিক-হৌজিক সিটি অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৮৫ মহাত্মা জ্যোতিবা ফুলে জন অরোগ্যা যোজনা (এম জে পি জে এ ৱাই)গী মখাদা কোভর তৌরে অমসুং লেমহৌরিবা চাদা ১৫দসু মদু পীরগনি।

অনাবশিংদগী মমল হেন্না লৌবদগী প্রাইভেত হোস্পিটালবু থিংনবা খোঙথাং অমদা স্কিম অসিদা গভর্ণমেন্ট, সেমি-গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং হ্বাইট রেসন কার্দ পায়বশিংসু য়াওহন্নবা মেমোরেন্দম অমা সহি তৌখ্রে।

পুনে অমসুং মুম্বাইদা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা কোভিদ-১৯ অনাবশিং লায়েংনবগীদমক গভর্ণমেন্টনা জেনরেল ইন্স্যুরেন্স পব্লিক সেক্টর এসোসিয়েসন (জি আই পি এস এ)গা এম ও য়ু অমা সহি তৌনখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

মসিগা মান্ননা হোস্পিটাল পূন্নমক্তা ট্রিটমেন্ট ফিশিং ষ্টেন্দরদাইজ তৌনবা লায়না পূন্নমক্কীদমক তোঙান তোঙানবা পেক্কেজশিং পুথোক্লগনি হায়না মিনিষ্টর অদুনা হায়খি।

হান্নদি স্কিম অসিগী মখাদা হোস্পিটাল ৪৯৬ কোভর তৌরম্মি, অদুবু হৌজিক হোস্পিটাল ১,০০০ হেন্না মসিগী মখাদা কোন্সিল্লগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট অমসুং ইপিদেমিক এক্টকী মতুং ইন্না প্রাইভেট হোস্পটালশিংদা কোভিদ-১৯গী লায়েংগী ফি অদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অরেপ্পা শেনফম অমা লেপখি। জি আই পি এস এগা তাই-অপ তৌনদবা হোস্পিটালশিংদসু মখোয়গী লায়েং-ফিশিং ষ্টেন্দরদাইজ তৌরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ইন্দিয়াদা নোংমদা কোভিদ-১৯ নাবা মশীং খঙহেন হেনগৎলক্তুনা পূন্না ৩৭,০০০ হেনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে, ০২(এজেন্সি)ঃ***
ইন্দিয়াদা সুপ্নগী নোংমগী মনুং খক্তদা কোরোনাভাইরসনা মীওই ২,২৯৩ নাদুনা খঙহেন হেনগৎল্লকখিবদগী অনাবগী মশীং পূন্না ৩৭,৩৩৬ য়ৌরে হায়না ঙসি অয়ুক য়ুনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা হায়খ্রে।

য়াম্না লৌনগনবা কোভিদ-১৯ অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা শিখিবা মশীং ১,২১৮নি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হৌখিবা পূং ২৪দা লাইচৎ অসি নাবদগী মীওই ৭১ শিখি। ইন্দিয়াগী শেনমিৎলোনগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা সিটিশিং ওইবা দিল্লি, মুম্বাই, বেঙ্গলুরু, চেন্নাই অমসুং অহমেদাবাদ অসি লোয়নমক রেদ জোন ওইনা থমখ্রে।

মথং চয়োল ২ ফাওবা সিটিশিং অসি অকনবা লোকদাউন মখাদা লৈখিগনি। মথৌ তাদবা থবক থৌরম পূন্নমক্কীদমক লন্নাই মীওইশিং চখোক-চৎশিন তৌবা পূম্বা নুমীদাং পুং ৭তগী অয়ুক পুং ৭ ফাওবা অকনবা অথিংবা থমখিগনি। অয়াম্বা কম্মর্সিয়েল অমসুং প্রাইভেট ওফিসশিং ষ্টাফকী চাদা ৩৩গা লোয়ননা হাংবা য়াগনি, অতে অদুনা য়ুমদগী থবক শুগনি।

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ নাবদগী ফগৎপগী চাং ঙসি অয়ুক চাদা ২৬.৬৪ ওইরে। হৌজিক ফাওবদা পূন্না অনাবা ৯,৯৫১ ফখ্রে।

মাইগ্রেন্ট লেবররশিং, মহৈরোইশিং, লাই খুরুম্বা চৎপশিং নৎত্রগা টুরিষ্টশিংগীদমক অচৌবা অৱাবা কোকপা অমদা গভর্ণমেন্টনা ঙরাং মখোয়গী য়ুমশিংদা হলহন্নবগী খুদোঙচানবা স্পিসিয়েল ট্রেনশিং লাওথোকখ্রে।

ইন্দিয়ান রেলৱেজগী মতুং ইন্না শ্রমিক (ৱার্কর) স্পিসিয়েল ট্রেনশিংনা লমদন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং অদুবু পুনবা চেনগনি অমসুং পেসেঞ্জরশিং স্ক্রীনিনিং তৌবদা লাইওং ফংদ্রবা খক্তদা তোঙ্বা য়াহনগনি। ট্রেনশিং অদুদা অমগা-অমগা লাপহন্নবগী খোঙথাংশিং অদু চৎনহনগনি হায়রি।

# মাইগ্রেন্ট ১৮ সিমেন্ট মিকচর মনুংদগী ফংলে লক্ষ্ণৌদা লৈবা য়ুম য়ৌনা চৎনবা হোৎনরম্বনি



***ইন্দোর, মে, ০২(এজেন্সি)ঃ***
য়াম্না থীনা নুংঙাইতাবা ফিভমশিংদা কোরোনাভাইরস লোকদাউন মরক্তা উত্তর প্রদেশকী কোনুং লক্ষ্ণৌদা লৈবা ময়ুমদা হন্নবা অরোইবা উপাই য়েংদুনা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর ১৮না কংক্রিট মিকচর অমগী মনুংদা লোৎতুনা চৎলম্বা ফিভম অমা ঙসি অয়ুক মধ্য প্রদেশকী হায়ৱে অমদা থেংনখ্রে।

ষ্টেট অসিগী ইন্দোর অমসুং উজেন দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরক্তা লৈবা ঙমখৈদা লৈরিবা পুলিস ওফিসারশিংনা লৈবাক্কী লোকদাউন মনুংদা আইনগী ৱাংমদা চখোক-চৎশিন তৌবা মীওইশিংগীদমক চেক তৌনবা কংক্রিট মিকচরগী ট্রক অদু খামখি। মদুদা ট্রক দ্রাইভর অদুগী ৱাখল লাংবা মতৌদগী পুলিসমেনশিংনা য়ুম-কৈ শানবগীদমক য়াল্লবা সিমেন্ট অমসুং অতে মচাক-মথুমশিং তোৎশিন্ননবা অচৌবা দ্রম অদু চেক তৌখি। মদুদা মখোয়না মখুম হাংদোক্লুবদা মনুংদা মীওই ১৮ ফমদুনা লৈরম্বদু থেংনবদা ঙকপদা খমথেংখি। লম্বী নাকন্দা খাল্লিবা কংক্রিট মিকচর অদুগী মনুংদগী মখোয়গী মোৎলবা অমসুং শেগাইরবা বেগশিংদা মখোয়গী পোৎ-চৈ খরখক্তা লোয়ননা মাইগ্রেন্ট লেবররশিং অদু মী অমনা চংবদা চনবোই-চন্দবোই তৌবা অহোবা অদুদগী অমমম থোক্লখি।

কংক্রিট মিকচর ট্রক অমগী মিকচর টেঙ্ক অদুগী মনুংদা চৎলম্বা মীওই ১৮ পুলিসনা ইন্দোরদা ফংলে হায়না দি এস পি উমাকান্তা চৌধরিনা হায়। মখোয় অদু মহারাষ্ট্রদগী লক্ষ্ণৌদা চৎপনি।

ট্রক অদু পুলিস ষ্টেসন অমদা থাখ্রে অমসুং এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

# মাইগ্রেন্ট লাক্ষ ১০ রোম হল্লক্লবা বিহারনা থৌরাং তৌখ্রে, চয়োল অহুমগী ক্বারেন্টিন লাওথোকখ্রে

***পাটনা /ন্যু দিল্লি, মে, ০২(এজেন্সি)ঃ***
কোরোনাভাইরসকী মতাংদগী থল্লিবা লৈবাক শিন-থুংবা লোকদাউনগী মরক্তা বিহারদা মখোয়গী ময়ুম টাউনশিংদা হল্লক্লবা য়ারিবা মাইগ্রেন্ট লাক্ষ ১০ রোম নুমিৎ ১৪নিগী মহুৎতা নুমিৎ ২১নি ক্বারেন্টিন তৌরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা মখোয় হল্লক্লবগী থৌরাংশিং রিভ্যু তৌরদুনা মাগী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগা ভিদিও মিটিং অমদা ঙরাং হায়খি, মীটিং অদুদা মাইগ্রেন্টশিং অসি ক্বারেন্টিন সেন্টরশিং অদুদা স্কীল ট্রেনিং পীগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

লোকদাউনগী মতাংদা সেন্টরদগী রিভাইস গাইদলাইন্স অদুদগী ওইরকপা য়ারিবা অচৌবা মীয়াম অমা ওইরক্কদৌরিবা ফিভম অদুগীদমক ঐখোয়না শোয়দনমক মায়োক্লনবা হোৎনগদবনি।

ক্বারেন্টিন সেন্টরশিং অদু চিঙ্গাক, লৈফম, সেনিটেসন অমসুং মেদিকেল ফেসিলিটিশিং ফজনা ফংহনবা মফম ঐখোয়না শোয়দনমক ওইহনগদবনি। আইসোলেসন সেন্টরশিং অদু শোয়দনমক ব্লোক অমসুং পঞ্চায়ট লেভেলশিংদা থমগনি।

মথৌ তারবদি হল্লক্কদৌরিবা মী মশীং য়াম্না য়াম্বা তারবদি মথৌ তারকপগী মতুং ইন্না ঐখোয়না সেন্টর মশিং হেন্না লিংখৎকনি হায়না মাগী দিপুটি সুসিল কুমার মোদি, চীফ সেক্রেটরি দীপক কুমার অমসুং দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস গুপতেশ্বর পান্দে য়াওবা মীফম অদুদা বিহার চীফ মিনিষ্টর অদুনা হায়খি।

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ ঃ
ꯑꯌꯦꯛꯄꯥ ꯂꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯈꯦꯟꯅꯕ ꯇꯔꯨꯛ ꯌꯥꯎꯔꯤ, ꯈꯦꯟꯅꯕꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨ ꯄꯨꯊꯣꯛꯎ :



# নোর্থ কোরিয়াগী কিম জোং উন চয়োল কয়াগী মনুংদা অহানবা ওইনা থোক্লকখ্রে



*থাংজ নুমিৎতা রোইটর্সকী খূৎথাংদা কে সি এন এননা থাদোক্লকখিবা ফোটোগ্রাফ অসিদা কোনুং, পিয়োংয়াংগী অৱাংদা রিজন অমদা ফর্টিলাইজর প্লান্ট অমা লোইশিনবগী থৌরম অমা মচননুপী কিম য়ো জোংগা পূন্না শরুক য়ারিবা কিম জোং উন*

***পিয়োংয়াং, এম, ০১(এজেন্সি)ঃ***
নোর্থ কোরিয়াগী সুপ্রিম লিদর কিম জোং উননা ইখঙ -খঙহৌদনা মীয়ামগী মমাঙদগী মশক উখিদ্রবদা মহাক শিখ্রবরা, নৎত্রগা করি ফিভমদা লৈখ্রবগে হায়বা মহাক্কী হকচাংগী মতাংদা তোঙান- তোঙানবা ৱাফম কয়া ৱাখননা শাজিন্দুনা ঙাংনখিবশিং অদু লোইশিনহন্দনা ঙসি থাংজগী অঙনবদা নোর্থ কোরিয়া ষ্টেট মেদিয়ানা লূচিংবা অদুনা নুমিৎ ২০গী মনুংদা অহানবা ওইনা মীয়াম মমাঙদা থোক্লকখ্রে হায়খি।

কোরিয়ান সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সি কে সি এন এনা লৈবাকসিগী কোনুং পিয়োংয়াংগী মনাক্তা সুনচিওন কৌবা মফমদা ফর্টিলাইজর ফেক্টরি অমা লোইশিনবগী থৌরম অমদা কিমনা অতে সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিং অমসুং মহাক্কী মচননুপী কিম য়ো জোং মখোয় পূন্না শরুক য়াখি হায়খি।

কিমনা ঙরাং ইরাই নুমিৎতা থৌরম অদুদা রিবন ককখি অমসুং থৌরম অদুদা শরুক য়াবশিং অদুনা চাওখৎপগীদমক অচৌবা থবক মপুং ফানা লোইশিনবগীদমক মীয়ামগী ওইবা খোঙথাং পূম্বা কম্মান্দ তৌরিবা সুপ্রিম লিদর অদুগীদমক ঙমখৈ লৈতনা থাগৎখি হায়না কে সি এন এন না হায়খি।

ওফিসিয়েল রোদোম সিনমুন ন্যুজ পেপরগী ৱেবসাইদতা ফোঙখিবা ফোটোশিং অদু চপ চানা কদাই ফাওবা চুম্বগে হায়বদু লেপ্পা ঙমদে। কে সি এন এ গী রিপোর্ট অদুগী মতাংদা হংবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনল্ড ট্রম্পনা হায়খিঃ মদুগী মতাংদা ঐহাক করিমতা ফোঙদোকখিরোই।

নোর্থ কোরিয়াগী ফাউন্দর অমসুং মহাক্কী মপুবোক কিম ইল সুংগী মপোক নুমিৎ এপ্রিল ১৫, লৈবাকসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা হোলিদে অদুদা নোর্থ কোরিয়ান লুচিংবা অদুনা ২০১১দা শক্তি পায়রকখিবা মতুংদগী অহানবা ওইনা মশক উখিদবা অদুদগী মাগী হকচাংগী মরমদা মখল মখা কায়াগী তোকঙাশিং ঙাংনরকখি।

মশাগী চহী ৩৬ রোম শুরম্লগনি থাজনরিবা কিম সর্জরি অমা তৌখিবগী মতুং মহাক্কী হকচাং শোকচিনখ্রে হায়বা ৱাখননা লাক্লিন্দুনা ঙাংনরিবা কয়া অদু পিয়োংয়াংগী লৈঙাক পায়রিবা মকোকথোংবশিংগী লিখুন লিবগী রেকোর্দ অমা লৈরিবা সাউথ কোরিয়াগী গভর্ণমেন্ট হন্না-হন্না মৱা লৌখিদে।

২০১৪দসু কিমনা চয়োল ৬ রোম মীয়াম মমাঙদগী মাঙখি অমসুং কোন্না চৈসু অমা পায়রগা থোক্লকখি। ইষ্ট এসিয়াগীদমক হান্নগী মকোক থোংবা য়ু এস দিপ্লোমেট দেনিয়েল রুসেলনা কিম মাঙখিবগী পজ্জলগী অপিকপা মচেৎশিং অদু পূনশিনবদা মতম চঙনি হায়খি।

ষ্টেট মেদিয়ানা পাউ ফাংলক্কদবা কিমনা মীয়াম মমাঙদা থোক্লকপা অতোপ্পা অমসু নুমিৎ খরনিগী মনুংদা থোক্লবা য়াই হায়না এনালিষ্টশিংনা হায়রি।

হন্দক কিমনা মাঙখিবা অদু লুচিংবা অসিগী হকশেল অমসুং সেদ্যুলগী মতাংদা লৈরিবা সেক্রেসি অদুগী য়েংলগা পিয়োংয়াংনা শন্দোক্লা ফোঙদোক্লক্তবা য়াই হায়না সিওলদা লৈবা এৱাহ য়ুনিভর্সিটিদা ইন্টর্নেসনেল ষ্টদিজগী প্রোফেসার লেইফ-এরিক ইজলিনা হায়রি।

# কোরোনাভাইরস পান্দেমিক ২০২২ ফাওবা মখা তানা লৈরবা য়াই ঃ য়ু এস রিছার্চরশিং

***ৱাসিংটন, মে, ০২(এজেন্সি)ঃ***
মালেম পাকশন্না শন্দোকপা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসি ২০২২ ফাওবা মখা তানা লৈরবা য়াই অমসুং মালেম মীয়ামগী অয়াম্বা ইম্মুন ওইদ্রিবা ফাওবা লাক্লিনবা ঙম্লোই হায়না লাইচৎ অসিগী ইপিসেন্টর, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা এক্সপার্ট খরনা ফোঙদোক্লুকপা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।



য়ুনিভর্সিটি ওফ মিন্নোসেটাদা সেন্টর ফোর ইনফেক্সিয়স দিজিজ রিছার্স এন্দ পোলিসিদগী রিপোর্ট অমদা রিছার্চরশিং অদুনা ইরি ঃ হ্যুমেন পোপুলেসনদা ইম্যুনিটি তপ্না-তপ্না লাকপগা পান্দেমিক অসিগী শাংবা মতম অদু থা ১৮দগী ২৪ ফাওবা ওইরবা য়াই।

খ্বাইদগী কুইদ্রিবা ফ্লু পান্দেমিক অদু পল্লদুনা কোভিদ-১৯ থোকহল্লিবা অমদগী-অমদা য়াম্না লৌনগনবা কোরোনাভাইরসনা চহী ২ ফাওবা শাংনা শন্দোক্তুনা লৈরবা য়াই অমসুং মালেমগী মীয়ামগী চাদা ৬০দগী ৭০ ফাওবা ইম্মুন ওইদ্রিবা ফাওবা লাইচৎ অসি শন্দোকপা লেপখিদবা য়াই হায়না রিপোর্ট অদুনা থিন্দুনা তাক্লি।

মালেমগী অকোয়বদা অচৌবা খুদোঙথিবা থোকহনখ্রবা কোরোনাভাইরসনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩৪,২৬,৪১৩ নাহনখ্রে অমসুং ২,৬০,০০০ হেন্না শিহনখ্রে।

ভাইরস অদু শন্দোরকপা লাক্লিনবগীদমক থন্নখিবা সোসিয়েল দিষ্টেন্সিংগী অথিংবশিং অদু মালেমগী অকোয়বদা গভর্ণমেন্টশিংনা খরা-খরা কোমথোকপা হৌরকখ্রবা তাঞ্জাদা রিপোর্ট অসি থোক্লকখিবনি।

ভাইরস অসি য়াম্না লৌনগনবা অমসুং মালেমগী অকোয়বদা পাকশন্না শন্দোকখিবনা ভাইরসকী ২শুবা ৱেব অমা শোয়দবনি হায়না হান্না চয়োল অসিদা এন্থোনি ফাওসি, নেসনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ এলর্জি এন্দ ইনফেক্সিয়স দিজিজেসকী দাইরেক্টরনা হায়খ্রবনি।

# টাটা মোটোরস জে এল আর বোস য়ু কেগী রোয়েল সোসাইটিগী ফেলো ওইনা খনখ্রে

***লন্দন, মে, ০২(এজেন্সি)ঃ***
টাটা মোটোরসনা মপু ওইবা জগুৱার লেন্দ রোভর (জে এল আর)গী চীফ একজিক্যুটিব প্রোফেসার সার রাল্ফ স্পেথ অমসুং কেম্ব্রিজ য়ুনিভর্সিটিদগী প্রোফেসার বিক্রম দেশপান্দে, হন্দক্তা অখন্নবা সাইন্টিষ্ট ৬০ হেন্না অনৌবা ফেলোশিং ওইনা হাপচিনখ্রবা, লেমজনিঙাই ওইরবা য়ু কেগী রোয়েল সোসাইটিগী অনৌবা ফেলোশিং ওইনা খনখ্রে।



*প্রো. সার রাল্ফ স্পেথ*

১৬৬০দগী চঙ-চঙ লাওনা লৈরকখ্রবা রোয়েল সোসাইটি অসি মখা তানা লেপ্পনা লৈরকখিবদা খ্বাইদগী লিরবা সাইন্টিফিক একাদেমিনি, মসি য়ু কে অমসুং কম্মন ৱেল্‌ঠকী খ্বাইদগী শক্লাইরবা সাইন্টিষ্টশিং, ইঞ্জিনিয়ারশিং অমসুং টেক্নোলোজিষ্টশিংনা শাবা ইন্দিপেন্দেন্ট সাইন্টিফিক একাদমি অমনি।

রোয়েল সোসাইটিগী মমাঙগী ফেলোশিংগী মনুংদা ইসাক ন্যুটন, চার্লিস দারৱিন, ষ্টেফেন হোকিং অমসুং শ্রীনিভাস রামানুজন য়াওরি।

রোয়েল সোসাইটিগী ফেলো অমসুং ফোরেন মেম্বর ১,৭০০রোম লৈ মসিদা নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা ৭০ রোম য়াওরি।

ইন্দিয়ান ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি, বোম্বেগী গ্রেজুয়েট ইন্দিয়ান-ওরিজিন প্রেফেসার বিক্রম দেসপান্দে য়ুনিভর্সিটি ওফ কেম্ব্রিজদা মেটরিয়েলস ইঞ্জিনিয়ারিংগী প্রোফেসার অমনি। মাইক্রোষ্ট্রেকচরেল মেকানিক্সতা শিংথানিঙাই ওইবা মাগী থবক্কীদমক রোয়েল সোসাইটি অসিগী ফেলো খল্লকখিবনি। মহাক্কী থবকশিংগী মনুংদা টিটানিয়মমুক কনবা নিক্কেল সীটশিং, অদুবু মখোয়গী পাম্বিগা মান্নবা নেনোস্কেলগী অকুপ্পা অহোবশিং অদুনা শরুক ৪ হেন্না য়াংহনবা মেটালিক ব্রুদ পুথোকপা অসিনচিংবা য়াওরি।

# য়ুরোপতা মীওই ১৪০,২৬০ শিখ্রে

***পেরিস, মে, ০২(এজেন্সি)ঃ***
ঙসি থাংজ নুমিৎতা এ এফ পিগী অপূনবা মশীং অমগী মতুং ইন্না মালেম পাকশনবগী কোরোনাভাইরস নাবগী অপুনবা মশীংগী তঙ্খায় য়ৌগদবা খজিক্তং ৱাংনা য়ুরোপতা লাইচৎ অসিনা নাবা মশীং মীওই মিল্লিয়ন ১.৫ হেনখ্রে।

শিখিবা মীওই ১৪০,২৬০ অদু থারগা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫,০৬,৮৫৩ লাইচৎ অসিনা নাবগা লোয়ননা য়ুরোপনা খ্বাইদগী থীনা শোকপা কন্টিনেন্ট অদু ওইরি।

মালেম পূম্বগী ওইনা লাইচৎ অসিদগী অপূনবা অনাবা মশীং ৩৪,২৬,৪১৩ অমসুং অশিবা মশীং ২,৪০,৪৯৭ য়ৌখ্রে।

স্পেনদা ২,৪৫,৫৬৭ নাখ্রে অমসুং ২৫,১০০ শিখ্রে, ইটালিদা ২,০৭,৪২৮ নাখ্রে, ২৮,২৩৬ শিখ্রে, বৃটেনদা ১,৭৭,৪৫৪ নাখ্রে অমসুং ২৭,৫১০ শিখ্রে, ফ্রান্সতা ১,৬৭,৩৪৬ নাখ্রে, ২,৪৫,৬৯৪ শিখ্রে অমসুং জর্মনদা ১,৬৪,২৭১ নাখ্রে, ৬,৭৩৬ শিখ্রে।

**সনা-সুদোকু - ৪৫৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 7 | 4 | 6 | 2 | 3 | 5 | 9 | 1 |
| 5 | 1 | 9 | 8 | 4 | 7 | 3 | 2 | 6 |
| 3 | 6 | 2 | 1 | 5 | 9 | 7 | 4 | 8 |
| 9 | 8 | 1 | 3 | 6 | 5 | 2 | 7 | 4 |
| 6 | 3 | 5 | 2 | 7 | 4 | 8 | 1 | 9 |
| 2 | 4 | 7 | 9 | 1 | 8 | 6 | 3 | 5 |
| 7 | 2 | 8 | 4 | 9 | 6 | 1 | 5 | 3 |
| 1 | 9 | 6 | 5 | 3 | 2 | 4 | 8 | 7 |
| 4 | 5 | 3 | 7 | 8 | 1 | 9 | 6 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-455**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | 8 | | | 1 | | 6 | |
| | 6 | | 8 | 9 | | | | 2 |
| | | 1 | | | 3 | 9 | | 8 |
| 6 | | 4 | 2 | 3 | | | | |
| | 8 | | 1 | | 6 | 4 | | |
| | 1 | 2 | | 4 | | | 3 | |
| | 3 | | 6 | | 2 | | 8 | |
| 2 | | | | 8 | 4 | | | 6 |
| 8 | | | | | | 2 | 7 | |


## GAS TODAY

**Bashikhong Indane**
Booking : 14/02/20
Valid : 03/01/20
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
Home Delivery Contact No.- 9089709738/ 7005204180/ 8787566191

**Hiyangthang Indane**
Booking : 07/02/20
Valid : 02/02/20
Sl. No. : 80
Home Delivery Contact No.- 6009260971/ 6381538861
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 19/02/20
Valid : 15/02/20
Time : 08.00 to 12 Noon
Booking 0385-2444677
Enquary -9436280866
(Call / Whatsapp)

**J. Rongmei Indane**
Booking : 01/02/20
Valid : 30/01/20
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.
Home Delivery Contact No. 9774314973/ 6909963855
(Blue card Hanna Pisinbiyu)

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 23/01/20
Sl. No. : 68478
Contact No.- 9366471778/ 7085560134

**M.M. Gas Service**
Booking : 03/02/20
Valid : 30/01/20
Home Delivery Only
Time : 08.00 to 02.00 p.m.
For Thangmeiband Area Contact SMS/ Whatsapp to 8131852580/ 8257056190
For Uripok Area Contact SMS/ Whatsapp to 7629852810/ 6009885600
Other Area Contact SMS/ Waatsapp to 9862792731/ 9612009063/ 8131852580

**Manipur Gas**
Booking : 19/02/20
Valid : 02/02/20
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
Home Delivery Contact No.- 8730954041/ 7005728461/ 8259969582

**R & H Indane**
Booking : 04/02/20
Valid : 29/01/20
Time : 08.00 to 12 Noon
Stk : 306
Hom Delevery Contact No 9862640159/ 9089346130/ 8132022962

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 12/02/20
Valid : 07/02/20
Stk. : 306
Home Delivery Contact No.- 8729808192
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 06/03/20
Valid : 01/03/20
Stk : 306
Call Time -08.00 to 12 Noon
Home Delivery Only
9366351735/ 7005022459/ 9856704591

**Lambodara Indane**
Booking : 06/03/20
Valid :Nill
Home Delivery Only
Contact No. 917005382686

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 06/02/20
Valid : 01/02/20
Stk : 306

**Loktak Indane**
Booking : 18/02/20
Stk : 210